# ইন্দিয়াগী মফম অতৈদা চৎনবা এদ্যুকেসনগী কাঙলোন মণিপুরদসু চৎনফম থোক্তবরা?

—এম থম্বৌ সিংহ—

**ইন্দিয়া** হায়রিবা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা রাজ্য কয়া য়ুনিয়ন টেরিটোরি কয়া লৈদুনা অপূনবা ইন্দিয়া অমা শাগৎলিবনি। মসিদা লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসন্না অপূনবা ইন্দিয়াগীনি । লৈবাক অসিগী আইন অপূম্বা ইনি দয়াগীনি। লৈবাকসিগী এদ্যুকেসন পোলিসি খুদিং ঐখোয় পূন্নমক্কীনি। অসুম্না লৈবাক অসিদা চৎনরিবা এদ্যুকেসনগী মওং অমদি এদ্যুকেসন্দা থৌ পুরিবা রাজ্য পূন্নমক রাজ্য অমগা রাজ্য অমগা খজিক খজিক খেন্নবা লৈরবসু মপূং ওইনা অয়াম্বা শরুক্তি মান্নফম থোকই। অদুবু ঙসিদগী চাউরাক্না চহী ৪০ মুক অসিদা লৈঙাক্কী মরন ওইরিবা লৈঙাক্কী স্কুল অমদি লৈঙাক্কী এইদেদ স্কুল পূন্নমক্তি মপূং ফানা মায়থীদুনা ময়োন্দা তীলনা চিকখ্রবা পান্বীগুম মখোক লোইদুনা খুইথরক্তুনা লৈরক্লিবা অসি য়ামখ্রবা চহীশিং অসিদা ঐখোয় খুদিংনা উনা উনা, খঙনা খঙনা করিসু তৌবা ঙমদনা উপাই লৈতনা লৈরক্লিবনি। মসিগী মরুওইবা মরম কয়ামুক লৈ। ঙসিগী বি জে পিগী লৈঙাক্কী মমাঙদা কোংগ্রেস অমদি চুংশিন্নবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা লৈঙাক্তুনা লাকখিবা অসিদা মহৈ মশীনগী লমদা ওইরক্লিবা লৈঙাক্কী মরন ওইরিবা মহৈলোইশঙ পূন্নমক থাক খরা খরা হন্থরক্লিবা অসি লৈঙাক্না য়েংশিনবীরমদবা, শেঞ্জা থুমজা কয়াগী মকোন এদ্যুকেসন্দা শাজিন্দুনা লৈখিবদগীনি হায়বসি চেনবা য়ারোইদবা ৱাফমনি। অঙকপা ফংনা পৈশা তিংবা লন্নাই স্কুলশিংদা লন্নাই স্কুল লিংখৎলিবা মীওইশিংনা লৌরিবা থৌদাং অমদি লন্নাই স্কুলশিংদা মহৈরোয়গী মমা মপাশিংনা লৌবা থৌদাং পূন্নমক অসি লৈঙাক অমদি মহৈরোয়গী মমা মপা ঐখোয় পূন্না লৌমিন্নরবদি লৈঙাক্কী অমদি এইদেদ স্কুলশিং অফবা ওইরক্কনি। ময়াদা মৈ হৌরবা মীওই কয়া লৈঙাক্কী ওজা লৌবদা শেঞ্জা থুমজা অমদি ৱানোম্বা ঙমজদবা কয়াগী ফিদা অমা লন্নাই স্কুল লিংখৎপা কাঙবুনা ঙসিমক পীবিরিবনি। অদুনা লৈঙাক্কী স্কুলদনা পৈশা য়াম্না পীবা ঙম্বা, শঙ্গ লৈবা ৱাচৎ ৱানোম ৱাৎতবা ঙাক্তগী মফম কন্দুনা লাক্লিবনি। পূন্নমক অসিগী মথক্তা অৰৈবা মফমদা ওজা য়াম্না পাথোক্তুনা লৈবা, লৈতবা মফমদনা স্কুল অমদা ওজা ৩ নৎত্রগা ৪ দগী হেন্না লৈতবা, পোষ্টিং পীরবসু থা ফাদনা হোংখিবা, হোংখিদ্রবসু স্কুল কাদনা তলব লৌবা অসিগুম্বা কয়া অমসু লৈরিবনি। মসিনা তাকপদি মপূ পান্দে হায়বগী খুদমনি। অসিগুম্বা মরম ময়ামশিং অসিগী শরুক অমা ওইনা কুমজা ১৯৮০ গী ওক্টোবর ১ দা মতমদুগী ইকায়খুম্নজরবা আর কে দোরেন্দ্রগী লৈঙাক্তা লাইওইখ্রবা শ্রী ইরেংবম তোম্পোক্না এদ্যুকেসন মন্ত্রি ওইবা মতমদা গ্রান্দ পীবিরম্বনি। মতম অদুদা এইদেদ স্কুল অয়াম্বা মহৈরোয় ৩০০ দগী ৫০০ ফাওবা লৈবা স্কুল কয়া ঐখোয়না থেংনরি। অদুবু মতম অদুগী লৈঙাক্না গ্রান্দ হেক পীখিবদগী মথং মথং লাকপা লৈঙাকপা কয়ানা লৈঙাক্কী স্কুল অমদি এইদেদ স্কুলশিং মুখৎনবা হোৎনবা নত্তনা ফগৎনবা অনৌবা থৌশিল অমত্তগী মমি তাহনখিদবনি।

ওজা ২০ লৈবদা এপ্রুভ পোষ্ট ৩-৪ গী শেনফম্না য়েন্নবদা শুপ্নগী লুপা ৩০০০ দগী হেন্না ফংবা ঙমদবা অসিনা এইদেদ ওজাশিংনা ইমুং করম্না পুগনি? কনাগুম্বা ওজা খরদি এইদেদ স্কুলদা ক্লাস অহুম নৎত্রগা মরি লৌবদা অহাংবা পেরোদ মতমদা লন্নাই স্কুলগী খুনেক চত্তুনা অহেনবা মথৌ কয়া তৌদুনা হিংনবগী লান থেংনবা য়াওদবা নত্তে। পিক্না ফংলিবা শেনফম অসি সেঙ্কসন পোষ্ট মহুৎ হাপচিনবা য়ারম্বা অদুসু য়াহন্দনা কুমজা ২০০৬ তগী চহী ৫-৬ থমখিবনি। মদুদা মচাক য়াওদ্রবা স্কুল অদুগী ওজাশিং করম্না হিংগনি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী রাজ্য অতৈদা চৎনরিবা সিষ্টেম অসি ঐখোয়গী অসিদদি ওন্না তৈননা চৎনবগী কাঙলোন অমা লৈরিবনি।

মণিপুরদা লৈরিবা এইদেদ স্কুলশিংগী তলব (গ্রান্দ) অসি ১০০ দা ১০০ পীবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী লোইশঙ খুদিংনা ফংবা ইমপ্লোই অমগী দি এ এস সী এ হাওস রেন্ট এলাৱেন্স টি এ, দি এ এ, অদুদসু নত্তনা কুম্মৈ হরাউগী বোনস অমসুং থার্দ, ফোর্থ অমদি ফিফ পে ফাওবা অমত্তা চিথবা তৌদনা এইদেদ ওজাশিং ফংহনবীরম্মী। অদুবু সেন্তরগী তরুকশুবা পে লাকপা মতমদদি মণিপুর লৈঙাক্না ঙসি ফাওবা য়েংশিন্দনা থম্বীরি।

পূন্নমক অসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী অতৈ রাজ্য কয়াদা চৎনবা এইদেদ স্কুল অমদি কোলেজশিংদা পেন্সন পীবগী মওং কয়া ঐখোয়না থেংনৈ। খুদম ওইনা আসামগী নম: এল জি এল ৬৮-২০১৭-৬ আসামগী গভর্ণরগী অয়াবা এক্ত কয়া আসাম এসেবল্লিনা ফংখিবা, অদুগী মতুং ইন্না আসামদা এইদেদকী রিটায়ার্দমেন্ট বিনিফিট ফংহনখ্রে। অদুগা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা গভর্ণরনা তাং ০১-০৭-২০১৬ তা কন্দিসন খরদা হান্না তৌখিদ্রিবা পেন্দিংদা লৈহৌবা নম: ৮০৭১-এফ(পি) তাং২৭-১১-২০১৫- তরুকশুবা পে রিকমেন্দেসন অসিগী মতুংইন্না মথক্কী তারিখ অমসুং চহী অসিদা বেসিক্তা চাদা ৪ বেনিফিট পীখিনবা ০১-০৭-২০১৬ তগী ইফেক্ট তৌখ্রবনি। অসুম্না কেরেল্লাসু, অদুদা নৎতনা অতোপ অতোপ্পা রাজ্য অতৈ পঞ্জাবতসু মখোয়গী লৈঙাক্না নম: এস ও ৪৫/পি পি এম আর এস ঈ (এস ও এস) আর ১৯৮১/আর ২২-এ/২০১২ গী রিফরেন্সতা পঞ্জাবকী এইদেদ ইমপ্লোইশিংগী বেনিফিট পীবিখ্রবনি। মদুদা Page 318 Punjab Govt. Gaz (Extra) August 2-2012 SRNNII- 1934 SAKA No. A অসিদা য়াওরিবা অসি বেনিফিট তরুকনি। মদুগী 4 (A) Superannuation pension 4 (B) death-cum-retriement gratuity 4 (C) family pension 4 (D) invalid pension (4 (E) compensation pension 4 (F) compassionat allowance 4 (G) retiring pension অসিনি। অসুম্না ইন্দিয়াগী অতোপ অতোপ্পা অতৈদা ফংলিবা ইমপ্লোইশিংগী খুদোংচাবা অমদি এইদেদ ইমপ্লোইশিংগী য়াওনা ফংহনবদা মণিপুরনা ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগুম মমাঙগী লৈঙাক্না থম্বীরম্লিবা অসি মীওইবগী ধর্ম্ম নত্তে। মসিগী মরম ময়াম অমা লৈরবদা মণিপুরগী এইদেদ ওজাশিংগী ওইনা মমি উবা ফংদে।

মসিদা মখোয়না মথৌ তৌরিবা স্কুলশিং করম্না অফবা ওইফম থোকপগে? অমুক্তসু লৈঙাক্না হিন্দি পোষ্ট ৯৯ ককথৎখিবগী মতাংদা মখাগী দিরেক্টিভশিং অসি পি এম ওফিসনা পীরকখ্রবনি। D.O. No. 7-4/2011/ALT-dated 19-7-2001 of Shree Y. P. Mitta, Eco advisor of the M.H.R.D. Govt. of India and D.O.S.E.L./P/2017/00010 and No. D.O. S. E. L/P/2016/00161 মসিদা মণিপুরগী অন্দর সেক্রেটরি এদ্যুকেসন্না মহাক্কী Letter No. 12/(H)/118/2009-SE (S) dt. 07-09-2015 দা দিরেক্টরদা থাদখিবদা মেটরিয়েলাইজ তৌরক্তবদা অরোইবা প্রপোজেল পীরক্লবা ৩১-৭-২০১১ দা হায়রকখ্রবনি। অদুবু ঙসিগী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্না তাদনা নুংদা ঈশিং চাইবগা চপ মান্ননা লৈখিবনি।

মসিদা অহেনবা পীবদি লায়রদনা হান্নগী লৈরম্বা ককথৎপীরিবনি। অমুক্না খ্বাইদগী শাথিবা মীওইবা ফুরুপকী মরক্তা চৎনবা য়াদবা কাঙলোন অমা পনবা তারবদি এইদেদ ওজাশিং থবক্তগী পোখাখিবা নৎত্রগা শিখিবা য়াওবদা মহুৎ শিনবা খুদক্তগী ইফেক্ট তৌবা য়ারম্বনি। অদুবু চহী ৫ হেন্না থৌবাল হাওখাগী মায়পাক হায় স্কুলগী কেস অমগা মরী লৈননা থিংজিন্দুনা মণিপুর অপূম্বগী স্কুল ৬০৫ দা অৱাবা পীবা অদুদগী কুমজা ২০১১ দা অমুক অথিংবা লৌথোকখিবা মতমদা থমজনীংবা ৱাফমদি মী অমা চহী শুদনা তোকখিবগা অৱাবা পুরিবা ওজাশিংগী সেনরিটি য়েংদুনা মহুৎ হাপ্পনি। অদুগা ওজা অদুগী মথৌদি অতোপ্পা ওজা অমদুনা তোকত্রিঙৈ অমদি তোকখ্রবসু অদুম তৌরিবনি। অদুদি মহাক্কী সার্ভিস অদু তোকখিবা ওজা অদুগী চহী অমসুং তারিখ অদুদগী ইফেক্ট তৌফম থোক্ত্রা?

মসিদা মথক্তা পনখ্রিবা রাজ্য অতৈদদি ফজনা চৎনবনি। অদুগা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদনা করম তৌরিবনো? ইন্দিয়াগী চৎনরোলদা মণিপুর য়াওদ্রা? মসিনা চহী ৫-৬ কী পৈশা ময়াম মাঙখিবা অসি এইদেদ ওজাশিং অসি মকোক্তা মখূৎ হাপ্তুনা লৈনরিবনি। অমুক্তসু লৈঙাক্কী ইমপ্লোয় অমনা ফংফম থোকপা লোয়না ফংহল্লম্বা, সেন্তরগী ৬ শুবা আর ও পি লাকপা মতমদদি হান্নগী মন্ত্রিনা এইদেদতা মসিগী ফেসিলিটি লৈতে ইরায় লায়না হায়দোকপা য়াম্না লাইবক থিবনি। মসিদি মীওইবগী ধর্ম্ম নত্তে। ঐখোয় এইদেদ স্কুলগী ওজাশিং অতোপ্পা গ্রহদগী লাকপা নত্তে, লমদম অসিগী দাইতা লৈবা মীচম মীয়াম ঙাক্তনি। করিগী অসুক তমথিনা লাক্নফম থোকপগে? অমুক্না চহী অহল ওইবশিংগী থাগী ওইবা য়াম্বা য়ামদবা পেন্সন খরা খরতা ওইরবসু পীরিবা অদুবু লাইরিক লাইশু মতম কয়া মাঙনা তমলুরবা অদুগা এইদেদতা ওজা ওইদুনা মহৈরোয় খুন্নাই অমদি মীয়ামগী য়েংদুনা অৱাবা খাঙলকখ্রবা অহল ওইশিল্লক্লবা এইদেদ ওজাশিংগী পেন্সন পীদনা লৈরম্লিবা অসি অচুম্বা থৌওং নত্তে। ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা রাজ্যদা তৌবগুম মণিপুরদসু মদুগী খুদোংচাবা পীফম থোকই হায়বা ৱাফম অসি খন্নফম থোকই। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী লেংবা য়াররোইদবা লন ওইরিবা ওইসু ওইরগদবা লৈঙাক্কী অমদি এইদেদ স্কুলশিং অসিবু হান্নগী লৈঙাক্না নমশিন্দুনা তুহৎপীদুনা থম্বীরম্লবা অসি ঙসিগী অনৌবা লৈঙাক্না ইরৈবাক ইরমদম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা ইরলনি খনবীদুনা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎপীদুনা মপূং ফাবা মহৈ লোইশঙ অমমম ওইহনবীয়ু হায়বা অচেৎপা ৱাফম থমজরি।

অরোইবদা, মণিপুরগী স্কুল ৬০৫ (এইদেদ) অসিদা হৌখিবা লৈঙাক্না মীখল ময়াদা স্কুল খরদা অহেনবা পোষ্ট পীবা খরনা লৈঙাক্না লৌশিনবা থৌওং অসি মান্নবা মিৎয়েংদা য়েংবীবা পাম্মী। করিগী খেন্নবা থল্লিবনো? মরম ফজনা থিদোকপা মথৌ তাই। লৈঙাক্না লৌখৎখিবা অমদি অহেনবা পোষ্ট পীখিবা স্কুলশিং অদুগা মান্নবা স্কুল কয়া লৈরিবনি। পূন্নমক ফিলদা ফজনা চৎপীদুনা অচুম্বা মান্নবা মিৎয়েং য়েংহন্নীংবগী অপাম্বা ঙসিগী অচুম্বা পাম্বা লৈঙাক্ত ইকায়খুম্নজবগা লোয়ননা আপিল অসিমতং তৌজরি। অমনা অহল ওইরবা ওজা কয়া দিরেক্টর ওফিসতা এরিয়ার মচেৎ খরা পীবিগনি হায়না ফোটো ময়াম কাপখ্রগা তুমিন্না লৈশিনবগী থৌওং য়ানিংদে। মসি মরম থিদোক্তুনা অথুবা মতমদা পীবিনবা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

# গাড়ী হুরানবদুসু গাড়ীদু ফংলবদি লেম্না থাদোকপীখ্রোদনা!

—অমরজিৎ খাঙেম্বম—

**ঐখোয়** লমদম অসিদি লায়রবনসু খরা খিৎ নম্না লৈবা লমদম অমা ওইরিবনি। অদুনা নোংমগী শুরগা চাবা অমদি ইমুং-মনুং, মচা-মশু মহৈ-মশীন তমহল্লিবা লায়রবা ইমুংনা মরাং কায়বা লমদমনি হায়বদা লাল্লরোইদবা ৱাফমনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না অসিগুম্বা লায়রবা ময়াম অসিবু কোক্লবা অমদি মতেং খজিক্তা ওইরবসু পাংনবা লৌখৎলক্লিবা থবকশিংগী মনুংদা নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ত অসিসু অমনি। মসিবু লায়রবা মীচম মীয়ামগী খূৎতা য়ৌহন্নবগীদমক লমদমসিগী লুচিংবশিংগী মখূৎতা শিন্নরক্লিবনি। অসুক ফজখ্রবা থৌশিল অসিবু লুরিবদি লুচিংবশিং অসিনা লায়রবগী খূৎতা তশেংনা য়ৌহনব্রা হায়বসিনি খন্ননীংঙাই ওইরিবদি। য়ৌদবনা মরম ওইরকপগীনি ঙসি মীয়ামগী ৱাকৎ ময়াম অমা লাক্লিবা অমদি তারক্লিবসি। মমাঙ চহীগী মতমদুগী কোংগ্রেসকী লুচিংবা ও ইবোবীনা সী এম ওইরিঙৈগী এপ্রিল ১৫ দা মণিপুরদা এন এফ এস এ চৎনরকখিবনি। মসিবু চৎনবা হৌখিবদগী মীয়াম্না অদুক্কী মতিক হরাউনখি। করিগী হরাউরোই! চেঙ কেজি অমদা শুপ্নগী লুপা অহুম খক্তনি, ঘী, আট্টা ওইরগনা লুপা অনী, অদুগা crose green ওইরগনা কেজি অমনি। অদুবু এক্ত অসি মণিপুরদদি হেক হৌবদগী চপ চানা তশেংনা চলাইদ্রে হায়না লৌবা য়াই। অদুগা মখা তারকপদসু অদুম ইকুই কুইদনা চেঙ য়েনদ্রে, চেঙ মমল হেন্না য়োল্লে হায়বগী ৱাকৎ ময়াম অমা লাকপা হৌখ্রে। অদুগা এক্ত অসিবু য়েংশিন্নবগীদমক এন এফ এস এ ২০১৩ গী সেক্সন ১৬ কী মখাদা ষ্টেট ফুদ কম্মিসন লিংখৎলবসু মথৌ নীংথিনা তৌহন্দনা নমশিন্দুনা থমখ্রে। অসিনা মরম ওইরগা মানা মানা কুসি রাসি তৌদুনা মীয়ামগী ৱাকৎ ময়াম অমা লাকপগী মরম অমসু ওইরমগনি হায়না খল্লি। তরামাথোইশুবা এসেমব্লি ইলেক্সন ময়াদা হায়রিবা এক্ত অসি মীয়ামগীদমকনি হায়না কোংগ্রেসনা হৌদোকখিবনি। হায়রিবা এক্ত অসি নীংথিনা চলাইদ্রে হায়না মণিপুরদা অকনবা লম্বা ওইখিবা বি জে পিনা কোংগ্রেসকী মায়োক্তা ধরনা তৌদুনা ৱাকৎ মীফম কয়া পাঙথোকখি লোয়ননা মীওই কয়াসু মচি মচিদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোক্লখিবা ঙাক্তনি। ৱাকৎ মীফম ফম্বা হায়বসিতবু পেন্দবা খরা লৈবা, অশেংবা অচুম্বা তৌফম থোকপদু তৌবিয়ু হায়বনি। হায়না হায়না লৈঙাকসু অদুম তাশিন্নদনা অপাম অপাম্বা মওংদা অদুম চৎখি, শেমদোকপসু তৌখিদে অচুম্বসু উখিদে। লায়রবগী চাকখাউদি অদুম হিংনা হিংনা লুট তৌবিদুনা লাকখ্রবনি। মীয়াম্বু চাকনি-ফিনিবগী মওংদা থম্বীদুনা লম্বী সরক্তা ৱাকৎ ময়াম অমসু ফমহনবিদুনা খোঙ্গৌইনবিখ্রে হায়রসু য়ারিপোৎনি।

হৌজিক অমুক বি জে পি লৈঙাক লাক্লে। ৱাথোক অসি অদুম থোক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিজীগী মখাদা মণিপুরগী ওনরেবল সী এম এন বিরেননা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া অহিং-নুংথিল, তূম্বা-চাবা থিদনা পায়খৎলক্লি। কোংগ্রেসকী চহী ১৫ গী থবক বে জে পিনা থা ১৫ দা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবা মায় ঙাক্লবা ওনরেবল সী এম এন বিরেন্না লেপ্পা লৈতনা হোৎনবা লেপত্রি। অতেনবা মতম খরা অসিদা অহোংবা চাওখৎপা অফবা খরসু ঐখোয়না উরে উদে হায়বদি য়াররোই। লমদম অসিদা য়াম্না চাউবা করপসনগী মচু লোয়নমক নৎত্রগসু খরমখৈদি মুখৎপা হৌখ্রে, য়াম্না ক্লিয়র ওইনা মুখৎলকপসু য়ারি য়েংখিবা তারি। লাকচনীংলিবা ৱাফমদি এন এফ এস এগী ৱাথোকসি অশোয়বনা থল্লে হায়বা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদগী বি জে পিনসু খঙলবা ৱাফম অমনি। অদুবু হৌজিক বি জে পি লৈঙাক পায়বদগী এন এফ এস এগী অরানবা তৌবা মী পুথোক্তুনা চেঙ শিংগৎহল্লে হায়বগী পাউসু তারে। চেঙ চিংথোকখ্রগা য়েন্থোক্তবিদা লোন্না পৈশিল্লম্বগী পাউসু তারে। করিগুম্বা অরানবা খরদি শুংশোয় শোয়দনা অদুম তৌরে হায়বসিদি মীয়ামসু লোয়না খঙলে। অদুবু মীয়াম্না পাম্বদি ওইদ্রি। অরানবা তৌরম্বা এজেন্ট খরা ফাবা নত্তনা অচৌবা হুরানবদি ফাবগী পাউদি তাদ্রি। এজেন্টনা এফ সী আই গুদাউন্দগী চেঙ হেক্তা চিংথোকপা ঙমগদবা নত্তে হায়বসি মীয়াম লোইনা খঙই, মরী লৈনবা ওফিসার অমদি অচৌ অশাং য়াওনা। লাক্ষ লাক্ষতা হুরানবদা দন্দি পীবগী হৈনবী লৈখিদবা মমাঙগী লৈঙাক্কুম হন্দক্কী লৈঙাক অসিদি মীয়ামগী অপাম্বদা য়েংদুনা থবক তৌহন্নীংবগী অনীংবা লৈ। কনানা হুরানখি, কনানা লৌই হায়বা মীয়ামসু খঙলিবনি, অদুনা মীয়াম্না পাল্লিবা অদু থবক ওইনা ওনরেবল সী এমনা পাঙথোকহন্নীংই। মরোই মপুন অমা য়েপ্পবগীদি খুদক্তা মীয়াম্না ফুদুনা শিবা নৎত্রগা লোকঅপ য়ৌবা, অচৌবা হুরানবনা দন্দি পীবা তপ্পা নৎত্রগা থুপচিনখিবগী থৌওংদি মীয়াম অসিনা মমাঙঙৈদগী হৌনা পাল্লমখিদে, মীয়াম্নসু ফজৈদা হায়নখিবা য়াওখিদ্রি। মী হাৎপা হায়বসি থাংনা থিল্লগা মী হাৎপা কৌবা য়ারোই। অহিংবা মীওই কয়াগী চাকখাউদা লুট তৌবসু মী হাৎপা মখল অমনি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসি অপীকপা ওইগেরা অচৌবা ওইগেরা হুরাল্লম্লিবা পোৎতুখক শিংলগা য়ারবোইদি গাড়ী হুরানবা মীদুসু গাড়ীদু ফংলদি লেম্না থাদোকপীখ্রোদনা! হন্দক সী এমগী মীয়ামগী নুমিৎ অনীশুবা পাঙথোকখিবদা সোসিএল মেদিয়াদা (কেন্দ্রদি পঞ্জররোই অয়াম্বনা কেন্দ্র অয়াম্বদা থোক্লিবা ওইবনা) কেন্দ্রগী মীহুৎ কাঙবু খরা সী এমদা এন এফ এস এগী ৱাকৎ অমদা খুদক্তা ফোন তৌদুনা মরান লৈবা এজেন্ট খুদক্তা শিন্দোকউ হায়খিবদো কয়াগী মতিক পেঞ্জখি অদুবু অরানবা তৌবা মী দন্দি পীগদবনি হায়বা অসিমতংগা নপশিনবীরম্লবদি তস - পেল্লিহে সৈত্যা, হায়হনবিখিদ্রে। মরাল লৈবা অচৌবা খরা, অপীকপা খরা হেক পুথোক্তুনা দন্দি পীদ্রিখৈ লৈবাক অসিদা নোংমা নোংমগী মশীং হেনগৎলকপা মশানা তাবনি। অচুম্বা হায়বদু মীয়ামদা উহন্দুনা লৈবাক অসিদা অচুম্বা পামজবা লুচিংবা লৈরি হায়বা খঙহনবগী মতম ওইরে হায়জনীংই লমদম অসিগী লুচিংবা ওনরেবল সী এম এন বিরেন সিংহনা।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## পুন্সি লৈচল

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**পুন্সিগী** খোঙচৎ কনানসু তম্বা ঙমদে, লোয়ননা পন্থুংফমসু খঙদে। হৌজিক করি ওইরিবা মথংগী খোঙচৎনা করি ওইরক্কদৌরিবা হায়বসি কনানসু তম্বা ঙমদে। মীতৈ ৱাহৈদা হায়নবা লৈ ঙসি শিনি পাউজেলদে, হয়েং শিনি পাউতাক্তে। পুন্সিগী খোঙচৎ মথং মথং মরোল নাইনা চেন্থরিবা ঈচেল লোইবা নাইদ্রবা লুখ্রবা ইরোলনুংগী লোইবা নাইদ্রবা থৌদোক ৱাথোক ৱারী কয়ানা পুন্সিগী ৱারীনা মপূং ওইনা থেংনরিবা, থেংনখিবা মতমগী ঈচেলদনি মীওইবনা কাওশিং ওইনা ইরোলনুংদগী, নুংঙাইবদা মপা লৈত্রে হায়না খনবা পুন্সিসু অৱাবা শরুক ফংদবা নত্তে। তৌবতবু লায়রনা থেংনরিবা চৈথেংনা নুংঙাইবগী শরুক্না ৱাৎপা অৱাবনা হেনবা শক্তম ওইবগী খেন্নবা অসিনি। অদুবু মা-মাগী লমচৎ শাজৎনা নুংঙাইরম্বা কয়া লায়রবগী চৈথেং ফংখিবা য়াওদবা নত্তে। অমরোমদা লায়রবা কয়াসু মশা মশাগী শিন্থাদা পূক্নিং চঙদুনা নুংঙাইবা ঈপাক্তা ওইখিবসু কোঙ্গাইনি। মসিগী মরুওইবা ওইনা উরিবদি হোৎনবা কনবা, পুকচেল শেংবা মীওইশিংগী মনুংদদি চন্দে হায়না প্রমান তৌজনীংই, মীয়াম্নসু থেংনবিরমগনি খঞ্জে।

কালেন থাগী ওলাংবগী মৈশা, ইঙাগী নোংজুগী ঈচাউ, শারবসু ঈচাউগী অমসুং নোংজুগী অহিং, নিংথমগী মতমগুম ফৈজুপ চিংখৎনরি। অরোনবা ফিজং মরুমদা লৈরিবা কাঙলোন কনানা খঙগনি ওলাংথাগী মৈশাসু নোং চুরবদি নিংথমই। পীগদবা ঐখোয়না পীদ্রে ওফিসার ওইনবা, অপীবনা খনখ্রে । মসিগী মতাংদা থমজনীংই য়েরুমগা য়েনবীগা কনানা হাল্লি হায়বা য়েৎনবদা লোইরোইদবা ৱাফম ওইরেদো। মেদিয়াবু মতেং পাঙবীরিবা ইচিল ইনাও কয়াগী থম্মোয়গী ৱাকৎশিং অসিদি চাওখৎপা পাম্বগী মায়কৈদা, অৱাৎপা, শেমজিন শাজিনবা ৱাকৎনি অমসুং অমোৎপা শেংদোক্লবা গভর্ণমেন্টনা তৌখিবা অশোয়বা অরানবগী মীৎ-নাকোং ওইনবা পীবা ৱারোলনি হায়না খনবিদুনা মতেং খজিক্তং ওইগদ্রা খন্দুনা ৱাকৎলকপনি খন্দুনা মীৎয়েং চিংশিন্নবা ইকায়খুম্নজবা ওথোরিটিদা হায়জরি।

মেদিয়াবু য়োকখৎপীবা ওইনা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা হায়বিখিবা লোয়ননা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ অমসুং সোসিএল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (হোম) এল সুসিন্দ্রো মীতৈগী ৱাঙাংবু হরাউ তরাম্না ওকচৈ ফোঙদোকপীখ্রিবা ৱারোল খুদিংমক থবক ওইনা পায়খৎপীরক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি। চিন্দা মেদিয়া, টি ভিখক্তা ওইবদংদি তৌবিদনবা ইকায়খুম্নজরিবা পূন্নমক্কী মফমদা কাউবিদনবা নীংশিংজরি। মায়কৈ খুদিংগী অফবা লৈঙাক চাওখৎপগী খোঙজেলগী লমজেলদা খুমাঙ চাউশিন্না হোৎনবীরক্কনি খঞ্জে।

নোং খজিক্তং চুবদা য়ূম য়ূমগী ইঞ্জোলশিং, লম্বী সরকশিং ঈশিংগী ঈশিং ঙাক্তা, ইরম নালা মতিক চাদবনা। তুরেলগী ঈশিং অসিনা ঈশিং চেনবগী খোঙজেলদা অপনবা পীরিবা অমোৎ অকায়শিং অমসুং তুরেলগী লৈরাইদা লন্নাই মীওইশিংনা উ-ৱা, লফুনচিংবা থাজিনবা অসিদসু নত্তনা য়ূম-কৈ, দুকান্নচিংবা শাজিনবা মতম চারিঙৈদা লৈঙাক্কী বিভাগশিংনা য়েংশিন্দুনা থিংবিদবা, লৈরাই ফত্তবশিং মতম চানা শেন্থীদবা অমসুং য়েংশিনবীদবা, ৱাটর সপ্লাইগী পুরিবা টোটিগী পাইপ লাইনশিং য়েংশিনবীদবা, মানা মানা পাম্বা মওংদা হুৎতোক্তুনা ঈশিং লৌবা, পাইপ য়াদ্রগসু শিনবীদবা, মরক্তা হুৎতোকপনা মরম ওইদুনা ঈশিং ফংলবসু খোংবালগী কং য়াওবা ঈশিংনা থক্লবা ওইবা, ঈশিং ঈচাউ থোকপনা মহৈ-মরোং কয়ামরুম ঙায়োক কোমদা লোয়না ঈশিং থুমজিন্দুনা অমাং অতা কয়া থোক্লিবসিনা পীরিবা চৈথেংদি মণিপুরদা লৈরিবা লায়রবা মীওইশিংদা য়ৈরিবা চৈনাখোলনি। খুদিংমক অসিগী মপূনা মিনিষ্টরশিংনি, থবক পাঙথোক্কদবনা লৈঙাক্কী বিভাগকনি, পূন্নমক অসিগী চৈনাখোল থোক্তনবা মিৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

কৈথেল অমা হেক লৈবদা লম্বী চৎপা য়াদে মরমদি দুকানশিং অসিগী পার্কিং লৈতে, দুকান ফম্বা লাকপশিংসু মাগী মাগী দুকান মপাদা গাড়ী লোইনা থাজিন্দুনা লম্বী চিলহল্লি অমসুং পোৎ লৈবা লাকপসু গাড়ী থাজিল্লি মরমদি গাড়ীগী তোঙানবা পার্কিং লৈতবনা। অতোপ্পা অমনা গাড়ী শেম্বা কারখানাশিংনা সরক ময়ায় ফাওবা গাড়ী শেম্নবা থমজিনবা, করবাররালাশিং নূং, চেক, লৈঙোই, উ, য়োৎ য়োনবা ময়াম অমসু সরক্কী মতাইদা লোয়না গোদাউন ওইশিনবা অসিনসু লম্বী চৎপদা খুদোংথিহল্লি।

খুদিংমক ফৎত্রে হায়না লোইনা খঙলিবা ঙাক্তনি। তৌরিবশিংসু লৈঙাকসু চপ মান্নখিবনা কনাদা হায়রুগনি । দাক্তর কমলনা ইবা মাধবিদা প্রমান তৌবা হুরানবনা হুরানবা ফারবদি কনানা বীচার তৌগনি হায়বদো নীংশিংহল্লি।

হৌজিক অনৌবা লৈঙাক্কী ফজরবা খোঙথাংগী খোঙজেলগী মতুংইন্না হান্না তৌরমদ্রবা থবকশিং চিলহাই নত্তনা থবক্তা ওন্থোকপীদুনা শ্রীকৃষ্ণগী অবতারগুম তৌবিরো ভক্তা ওইবা ঐখোয় ময়াম্বু নুংঙাইহনবিরো। কলি য়ুগকী অবতার ওইনা শায়ন তৌবিরক্লিবা ইকায় খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টর শ্রী নোংথোম্বম বিরেন সিংহগী লৈঙাক্না নুংঙাইবা, য়াইফবা, ৱাৎতা পাদবা, অরুবা ঈশিংগী ঈচেল ওইহনবীরো। শোয়খিবা লানখিবা কয়া শেমদোক শেমজিন তৌদুনা তংদু লৈতাবা মণিপুর অমা ওইনবা, কাঙলুপ-ফুরুপ, লাইনীংগী খেন্নবা লৈতনা পূন্না খুন্দা লৈতামিন্নদুনা মান্নবা খুন্নাই, চাকনি-ফিনিবা তোল্ল-তারবা কয়াবু নুংঙাইবা য়াইফবা, চাকহোং ঙাহোংবা ৱাৎতা পাদবা পীবা ঙম্বা শক্তি পীনবিরো নরেন্দ্র মোদিগী থৌজালগী মিৎয়েং মখাদা। লুরিবদি মী খুদিংমক পৈশা পাম্মী। পৈশা য়াওদ্রবদি হিংবদি য়াদে। লায়র-ইনাকখুনবা মতৌ করম্না চাং মান্নগদৌরিবনো হায়বগী মওংশিং চিনগা খূৎকা মান্নবিরো।

অদোমগী - অথোকপম তোম্বা
ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল